# ৱাবগাই লমখাই কৈথেলদা চথখিবা দ্রাইভতা মীওই অহুমদগী য়ুঙৌ লিটর ১৫০ খোমগৎপা ঙমখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৯ঃ কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা) ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী থৌমীশিংনা ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ৱাবগাই লমখাই কৈথেলদা দ্রাইভ চথবদা চাক হোটেলগী মিংদা য়ুঙৌ য়োল্লম্বা মীওই ৩ দগী য়ুঙৌ লিটর ১৫০ খোমগৎপা ঙমখ্রে।

কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অনন্দনা ফোঙদোরকখিবদি য়ুগা কোন্নবা ফাগৎলবশিং অদুদি হুইদ্রোম দেবান সিংহ অপোকপা লৈখিদ্রবা ইবোবি, লাইশ্রম চান্দ অনীমক ৱাবগাই লমখাই অমসুং চাক হোটেল তৌবাময়াংলম্বম সঞ্জিৎ অপোকপা লৈখিদ্রবা পোলোমনিনি। মখোয়দগী খোমগৎখিবা য়ুঙৌ অদু মফম অদুমক্তদা মীয়াম মাঙদা হৈদোক্তুনা অমদি মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে।

চেরোল অমদা হায়, লমদম অসিদা য়ু অমদি অতৈ ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং সরকারনা মপূং ফানা থিংবগী ৱাখল খন্দবনা লমদম অসিদা য়ু অমদি অতৈ ময়াই কাবা মখল কয়া মরাং কায়না ফংলি। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী মীয়ামদা উৎ চাইদুনা অপংবা শীবগী থৌওংদা সরকারগী ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সিশিংনা দ্রাইভ চথদুনা য়ু খরা খোমগৎপা নৎত্রগা ফাগৎপা নত্তনা পুকচেল শেংনা য়ুনচিংবা নিষা কয়া থিংনবা চপ চাবা থবক লৌখৎপা লৈত্রি।

মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ অমদি তোঙান তোঙানবা আইন কয়া অমা লৈজরবসু মপূং ফানা চৎনহন্দনা থল্লি। মসিনা মরম ওইরগা থিংবিনবা য়াওদনা আইন্না য়াদবা দ্রগ মখল কয়া ফোংনা য়োনবদা সরকার অমসুং মরী লৈনবা এজেন্সিশিংনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লিবা অসিগী নুংগা ওইবা ৱাহন্থোক করিনো হায়বসি মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহংনি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসি লাকশিন্দুনা অমদি থিংনবা হোৎনবগী মহুত্তা সরকারনা লমদম অসিদা য়ু শুংদুনা শেল তানগনি হায়বা তুং মাঙ য়েংদবা, য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম কয়া পুথোরক্তুনা মণিপুরী খুন্নাইগী কাংখুল মুথৎনবা অফোঙবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলক্লি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা অমনা নিষানা মহৈরোয় খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বসিদা একাদেমিক এৱার্নেস কেম্পেইন ঙরাং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা সালুংফমদা লৈবা চীং-তম হায়স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা চীং-তম হায়স্কুলগী হেদমাষ্টর নিংথৌজম খোমদোন, কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট এন দোরেননা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা কাদাগী সেক্রেটরী জেনরেল গীতচন্দ্র মঙাংনা হায়, মহৈরোয়শিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নরকপগী তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামুক লৈতবা নত্তে। ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নরগা লেমজবা ওইনা লৌনরকপা, তিন্নবা মমান্নবশিংগী ইথিল অমসুং বার্থ দে পার্টিনচিংবদগী নিষা শীজিন্নবা হৌরকই।

য়ু থক্তুবদি নুপা মান্দে হায়না লৌনবা, তিন্নরিবশিংগী ইথিলদগী মায় ঙাকপা ওইনা পেগ ১ তং ওইরবসু থক্লবা ইনশিনবা কয়া য়াওদবসু নত্তে। চাংয়েং তৌরুবদগী হৈনবী ওইরকখিবসু লৈতবা নত্তে। অদুনা ঐখোয়গী পুন্সিদা মায় পাকপা হায়বদু ওইগে হায়রবদি কৈদৌনুংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল অমত্তা চাংয়েং তৌগে হায়বগী ৱাখল খল্লোইদবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাঙথোকখিবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা স্লাইদ কাপ্তুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না হকচাংগী ওর্গানশিংদা পীবা অমাঙবা কয়া শন্দোক্না তাকখি। কাদানা থা অহুম খূদিংগী পুথোকপা জর্নেল হেলথ ফোর ফ্যুচরগী কোপি খরসু স্কুল ওথোরিটিদা শিন্নখি হায়রি।

## জে টি রোদতা অচৌবা গারী চৎপা থিংখ্রে

*জিরিবাম, এপ্রিল* ২৯ঃ থিনা ফিভম শোক্লবা জিরি টিপাইমুখ রোদ (জে টি রোদ) সরকার অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবিদববু পেন্দবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোক্তুনা ইচেল ক্লব দিবোং অমদি এল ই সি বাবুপারানা ঙসিদগী মতম কক্তুনা লম্বী অসিদা অচৌবা গারী চৎপা থিংখ্রে।




বন্দ শৌগৎপা টিঐচ রতন সিংহনা ফোঙদোরকখিবদি হায়রিবা লম্বী অসি ওন্থোকপা ফিভমদা লৈরবনি। লোকেল ক্লবশিংনা সরকার অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিদা কয়ারক হন্না হায়জরবসু লম্বী অসি চপ চানা শেম্নবগী থবক পায়খৎপা লৈত্রি। মদুনা মরম ওইরগা লম্বী অসিগী নাক য়েত্তা খুন্দারিবা মীওইশিংদি অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবদা নত্তনা উফুলনা অনাবা কয়া থোক্লগদ্রা হায়বগী চিংনবা পোক্লরে অমসুং স্কুল চৎলিবা মহৈরোয়শিংসু খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরে। অসিগুম্বা সরকারগী থৌশাবিদবা থৌওংগী মায়োক্তা অমদি মীয়াম্না উফুলগী অৱাবা খুদোংচাদবসি খরমখৈ কোক্লনবা ঙসিদগী অচৌবা গারীশিং চৎপা থিংখিবনি। মসিদগী থোরকপা অফ অফত্তগী দাইত্ব পূম্বা সরকারনা পুগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মে দে পাঙথোক্কনি

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৯ঃ এমটুক অমসুং এমজিওগী জে এ সিনা শীন্দুনা লাক্লিবা মে ১ য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবদা মে দে - ইন্টরনেস্নেল লেবর দে থৌরম জে এ সিগী ওফিস বাবুপারাদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা নেস্নেল বোর্দ ফোর ৱার্কর এদুকেসন এন্দ দিভলপমেন্টকী রিজনেল দিরেক্টর এম এন সলাম, সোসিয়েলএক্টিভিষ্ট ডা. আর কে সনাজাওবা সিংহ, এম য়ুগী ফেকল্টি মেম্বর ডা. চিংলেন মৈস্নাম, ডা.এম সি অরুন অমসুং এমটুক অমসুং এমজিওগী জে এ সি সেক্রেটরী জেনরেল লাইতোঞ্জম জিতেন্না রিছোর্স পার্সন অমসুং প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইগনি হায়রি।

## পুকচেল শেংনা পূন্না হোৎনমিন্নবা মথৌ তারি ঃ এমসু

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৯ঃ তুংগী মতিং লৈবা খুন্নাই অমগীদমক হোৎনবা কনবা অমদি শীংনরকপা খূদিংমক থৌনা লৈনা থেংনবা ঙম্নবা ঐখোয় পুকচেল খোইজেল তিন্ননা পূন্না হোৎনমিন্নবা মথৌ তারি হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না ফোঙদোরক্লি।

এমসুগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরী লুনপাও লুফেংনা ফোঙদোরকখিবদি ১৯৬৫ দা এমসুনা শাফোঙলকপদগী ঙসি ফাওবা শোত্থরবা খুন্নাই অসিগী হিরম কয়াদা মান্নবা পুরকপা ঙম্নবা লেপ্পা লৈতনা চহী ৫৩ হোৎনদুনা লাক্লি। হিরম খরদা মীথোই মীহেনবা ওইবা ঙম্লবসু মপূং ওইবা খরদদি শোত্থরি হায়বসি ঐখোয় খঙমিন্নসি। শোত্থরিবা কয়া অসি মেনখৎপা ঙম্নবা এমসুগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী থৌমীশিং নৌনা অমুক শেমদোক শেমজিন তৌদুনা থৌ পুবশিং খনবগী থবক লাক্লিবা মে থাগী অহানবা চয়োলদগী হৌরগনি।

নৌনা শেমদোক শেমজিন তৌগদবা দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিশিংদি বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, ইম্ফাল ৱেষ্ট, জিরিবাম অমসুং অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংনি। তোঙান তোঙানবা থাক্তা মহৈ লোয়শঙশিংদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা মসিগীদমক মশা মশাগী বাইওদাটা অপিবা ফোর্মেটতা এমসু হেদ ক্বার্টরদা পীশিল্লকপা য়াগনি। ফোর্মেট অসি এমসু হেদ ক্বার্টর অমদি এমসুগী ওফিসিয়েল হেদ ওফিস্তগী খঙবসু য়াগনি। অকুপ্পা মরোল ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী ইরোম কেনেদি মৈতৈদগী অমদি কন্টেক্ট নম্বর ৭৬৩৮৯০১৪৯২ অমদি ৭০০৫৩১১১৯১ দগী খঙবসু য়াগনি।

## লাইনিংথৌ খোরিফাবগী হরাও কুম্হৈ

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৯ঃ নম্বোলদা লৈবা চীংঙু লাইনিংথৌ খোরিফাবা হরাউবা শকয়েং তম থৌদোক কুম্হৈ শান্নবগী থৌরম কালেন ৩ নি পানবা মে ৭ তগী হৌনা কালেন পুর্ণিমা মে ১৮ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। লাইনিংথৌ খোরিফাবা থৌগল মরুপ নম্বোলগী সেক্রেটরী এম রঞ্জিৎ সিংহনা ফোঙদোরকখিবদি নুমিৎ ১২ নি চুপ্পা চীংঙু মতিক চাউবা লাইনিংথৌ খোরিফাবা হরাউ শকয়েং তম থৌদোক কুম্হৈ শান্নবগী থৌরম অসিদা পূম্নমক্না হৈকৎ লৈকৎ তম্মিন্নসি।

## ইং চিক্লা লৈমিন্নবা হায়বসিদা থৌরম পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৯ঃ মণিপুর পিছ এন্দ ইন্টিগ্রিটি (মপি) কাউন্সিল ইম্ফালনা কে খুনোমফাই ভিল্লেজ ওথোরিটিগা খূৎশম্নরগা পিছফুল কো এগজিষ্টেন্স হায়বা ৱাখল্লোন্দা ঙরাং পি খুনোমফাই ভিল্লেজদা থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মপি কাউন্সিলগী সেক্রেটরী এম নেতানা ফোঙদোরকখিবদি থৌরম অদুদা কাউন্সিল অসিগী প্রসিদেন্ট এন বিমোল মৈতৈ, পি খুনোমফাই ভিল্লেজগী নিংথৌ লুনথোং হাওকিপ অমদি ৱুমেন সোসাইটিগী হটচিন্না পূন্না ময়াই ফমখি। চাউরাক্না য়ুম্নাক ৩৫ মুক খুন্দাবা কুকি খুল অসিদা মপি কাউন্সিলনা মমাঙদসু হেলথ কেম্প পাঙথোকপগা লোয়ননা খুল অসিগী চর্চতা পব্লিক টোইলেট অমা শাখিবদা অচৌবা মতেং পাংখিবনি। অসিদসু নত্তনা খুঞ্জাশিংনা থাননবা উ মোরোক চারা ২৪০ রোমসু য়েন্থোকখি। অদুনা চানবা পোত্থোক হেন্না মরাং কায়না পুথোক্লবা পূন্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে হায়না নিংথৌ অমদি অতৈ কয়ানা ফোঙদোক্লখি।

লম্বী থোং ফত্তবনা মরম ওইদুনা খুঞ্জাশিংনা পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং মতম চানা কৈথেলশিংদা পুথোকপা ঙমদে। অদুনা শেন্মীৎলোন্দসু শোত্থনা লৈরি। লম্বী থোং শেমবিদুনা পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং কৈথেলদা য়ৌহনবা ঙম্লবদি খুঞ্জাশিংগী শেন্মিৎলোন্দা মতেং পাংবদা নত্তনা অফবা মরী লৈনরক্কনি হায়বগী ৱাফম থল্লদুনা ৱাখল্লোন অসিদা মপি কাউন্সিলনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। মরী লৈনবা সরকারগী দিপার্ট-মেন্টনশিংনসু মতম মতমগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকপিদুনা খুঞ্জাশিংবু মতেং পাংবিবা মথৌ তাই। অসিগুম্বা মফমদা হেন্না মীৎয়েং চঙবিরবদি হিরম খূদিংমক্তা নুংশি চান্না ইংনা চিক্লা লৈমিন্নবদা চাউনা মতেং ওইগনি। অদুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নসি হায়বা ৱাখল্লোন্দা মপি কাউন্সিলনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

## খোঙনা চৎলিবা তোম্পোক তেম্বা য়ৌখ্রে

*থৌবাল, এপ্রিল* ২৯ঃ ক্রাইম এগেনষ্ট ৱুমেনগী মীৎয়েং মখাদা অনীরকশুবা ওইনা মণিপুর শীন থুংনা খোঙনা চৎলিবা নান্দৈবম তোম্পোক ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তেম্বা য়ৌখ্রে। মফম অদুদা মহাকপু মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে।

য়ুম পাল্লবা নুপী নুপানা অরোনবা মরী থম্বীগনু, অসিগুম্বা কয়া থিংনবা সরকারনা অকনবা আইন অমা শেম্বিয়ু হায়বা পাউজেল পুদুনা ইম্ফালদগী নান্দৈবম তোম্পোক খোঙশানখিবনি।

ঙসি মহাক্না তেম্বা য়ৌরকপদা তেম্বা খুনৌগী ইমা ইবেন অমসুং নহারোলশিংনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা পি দি এন কে ষ্টুদেন্টস ফাউন্দেসন ইন্সটিট্যুট তেম্বা হৈবুং অমদি তেম্বা হায়স্কুলগী মহৈরোয়-শিংগা খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

## এইমসকী কুমওন

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৯ঃ অপূনবা ইরেপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এইমস)কী ৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরম লাক্লিবা মে ২২দা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা পারী পুরিগী লিক্লমদা য়েলহৌ শক্তম কন্নবা কথোক্লবা ঈশেং ঈ হায়না মিংথোনবা ঈ দান তৌবগী থৌরম মে ১৮ দা জেনিমস পোরোম্পাৎতা পাঙথোক্কনি। লোয়ননা সোসিয়েল সার্ভিস অমদি স্কুল অমসুং কলেজশিংদা উ চারা থাবগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি। থৌরমশিং অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্না অঙম্বা মতেং পাংবিয়ু হায়না এইমসকী সেক্রেটরী পব্লিসিটি সুরজ থোকচোম্না থাদোরকপা চেরোলনা পাউজেল্লি।

## লিলোং সি ও বিদা সেক্যুরিটি মিট পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৯ঃ ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী কৈথেলমানবী বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা লিলোং কম্পনি ওপরেটিং বেজদা সেক্যুরিটি মিট পাঙথোকখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মিট অদুদা লমদম অদুগী মৈরা পায়বীশিং, ৱার্দ কাউন্সিল্লরশিং অমসুং য়ুথ ক্লবকী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

এরিয়া অদুগী হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা য়েংশিনবগা লোয়ননা আইন্না য়াদবা নিষাগী পোৎলম কয়াগী মায়োক্তা চপ চানা থবক লৌখৎনবা হোৎনবদা তঙাইফদবশিংগী মতাংদসু ৱারী ৱাতাই শানখি। সেক্যুরিটিগা মরী লৈনবখক্তা নত্তনা সিভিক এক্সন প্রোজেক্টকী এক্সন প্লান, মেদিকেল কেম্প, অসাম রাইফলস অমসুং আর্মিগী রিক্রুইটমেন্ট অমদি নহাশিংগী কেরিয়র কাউন্সিলগী মতাংদসু খন্নখি হায়রি।

অসাম রাইফলসনা অসিগুম্বা মখলগী সেক্যুরিটি মিটিং পাঙথোক্তুনা এরিয়া অদুদা পিছ লৈনবা লৌরকপা থৌদাংবু অপেনবা ফোঙদোক্লখি অমসুং ইং তপ্পা শান্তি ওইনা লৈমিন্ননবা হোৎনবদা পাংবা য়াবা মতেং অমদি তৌবা য়াবা থবক তৌগনি হায়বগী থাজবা পীবদা নুংঙাইবসু ফোঙদোক্লখি।

## মোরেদা কেরিয়র গাইদেন্স এন্দ কাউন্সেল্লিং পাঙথোকখ্রে

*মোরে, এপ্রিল* ২৯ঃ কে এস ও মোরে ব্লোক্না শীন্দুনা মোরেগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা স্কুল মহৈরোয়শিংগী ওইবা কেরিয়ার গাইদেন্স এন্দ কাউন্সেল্লিংগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

হিল ট্রাইবেল কাউন্সিল (ঐচ টি সি)গী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা এদিস্নেল দিপ্যুটি কম্মিস্নার এম রাজকুমার সিংহ আই এ এস, এস পি তেংনৌপল থোকচোম বিক্রমজিৎ, ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট (আই সি পি)গী মেনেজর রোবিন গাংতে অমদি দি জি এম তেংনৌপল লেটখোমাং হাওকিপনা শরুক য়াখি।

মহৈরোয়শিংনা চপ চানা মথৌ তৌদুনা মীমাং থোক্না মতমগী চৎনবী খঙনা অফবা মী অমমম ওইনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা কয়া রিছোর্স পার্সনশিংনা ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা কম্মান্দো দি এস পি থোমাস থোকচোমসু শরুক য়াখি হায়রি।

## কংলা মণিপুরনা অৱাবা ফোঙখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৯ঃ রূপমহল থিয়েটরগী মতম শাংনা চিয়ারমেন ওইরম্বা থিয়েটর এক্টিভিষ্ট, দিরেক্টর অমদি ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী এনাউন্সর অমসুং আর্টিষ্ট ওইরম্বা ওঝা ওইনাম বিরমঙ্গোল সিংহ অমদি য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়নগী দিরেক্টর ওঝা চবুংবম গুনিন্দ্রোনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা কংলৈ লিভিং আর্টস (কংলা) মণিপুর উচিৱানা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

কংলাগী সেক্রেটরী থৌনাওজম প্রেমজিৎ সিংহনা ফোঙদোরকখিবদি কংলাগী চীফ এদভাইজর রাজকুমার রাজেন্দ্রো সনানা ময়াই ফমদুনা পাঙথোকখিবা কংলাগী এক্টর অমসুং মেম্বরশিং শরুক য়াখিবা মীফম অদুদা লৈখিদ্রবা ওঝা অনীগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ইংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজখি লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি।

## সেবাগী চহীগী মীফম

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৯ঃ সেল্ফ ইমপ্লোইমেন্ট ভোলুন্টরি এসোসিয়েসন (সেবা) মণিপুরগী ২৮ শুবা চহীগী মীফম হয়েং লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদা ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাঙথোক্লগনি।

সেবা মণিপুরগী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর এন পুস্পলতানা ফোঙদোরকখিবদি ফুদ সেক্যুরিটি ... থ্রু ওর্গানিক প্রদক্ট হায়বা থিমদা পাঙথোক্কদবা মীফম অসিদা সেবাগী প্রসিদেন্ট অহোংশাংবম ভরজিৎ সিংহ, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ওইরম্বা আর কে নোয়োনস্না দেবী, সি এম এল টাটা ট্রষ্ট ইম্ফালগী রিজনেল মেনেজর হিংজাঙম লাংহু, জেনিমস ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিটগী ডা. কোন্সম সুরজিৎ সিংহ, এন ই দি এফ আই ইম্ফালগী ব্রাঞ্চকী মেনেজর প্রিয়োবর্ত্ত গুরুময়ুম, নবার্দ রিজনেল ওফিস ইম্ফালগী থোকচোম কিরনকুমার সিংহ, অমজুগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ৱাংখেমচা শমজাই, কলচরেল এক্টিভিষ্ট কে বি ইঙারেম্বা অমসুং সেবা মণিপুরগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসার খুন্দ্রাকপম চিংলেন সিংহনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইগনি হায়রি।

## শোক্লবা সন্তোস হৌগৎ কাংখৎপা ঙমদনা লৈরি

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৯ঃ থা অসিগী ২৩ হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৭.২০ লোম তাবদা মিনুংথোং ময়াদা লৈবা এম এম টি এ কমপ্লেক্স মমাঙগী লম্বীদা বোম পোকখায়খিবা থৌদোক্তা শোকখিবা খুরাই কোন্সম লৈকাইদগী কোন্সম সন্তোস হৌজিক ফাওবা হৌগৎ কাংখৎপা ঙমদনা লৈরি।

ইপুম মপান মৈরা লূপ খুরাই কোন্সম লৈকাইগী প্রসিদেন্ট কে লোইতাংনা ফোঙদোরকখিবদি শোত্তুনা লায়কন্নরিবা সন্তোস লায়েংবগী মতাংদা সরকারগী মায়কৈদগী মীৎয়েং অমত্তা চঙবিদ্রি। অদুনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবিদ্রবদি হিরম অসিদা মখা তাবা খোঙজং চঙশিল্লগনি।

অমরোমদা খুরাই কোন্সম লৈকাই অপূনবা মৈরা লূপ্না থৌওং অদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা কনানা করিগীদমক মীচম শোকহনবা থবক অদু তৌখিবনো হায়বদু অথুবদা শেংদোকপিয়ু হায়রি।

## মশা লোয়শঙ হাংদোকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৯ঃ নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ৱাই মেমনা ময়ায় ফমদুনা ৱুমেন দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসনগা পূন্না হুইকপ্তা পাঙথোকখিবা মীফম্না নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী মশা লোয়শঙ হাংদোকখ্রে।

মশা লোয়শঙ অসিগী খনখ্রবা থৌ পুগদবশিং অদুদি লাইথাংবম য়াইমবী প্রসিদেন্ট, সনসম থম্বালঙৌ ভাইস প্রসিদেন্ট, নোংথোম্বম অচৌবী সেক্রেটরী, নোংথোম্বম ললিতা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী অমসুং নোংথোম্বম সনানু পব্লিসিটি সেক্রেটরীনি।

মশা লোয়শঙ অসিনা লৈবাক্কী থৌদোক ৱাথোক কয়াদা অমদি লৈকাইদা ময়াই কাবা নিষা চাবা য়োনবা থিংমিন্নবা হায়নসু মীফম অদুনা য়ানখ্রে হায়না সেক্রেটরী এন রথামনিনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।


## ꯁꯥꯏꯟꯇꯤꯐꯤꯛ ꯀꯨꯝꯊꯣꯛ/ পাঞ্জি তম্বা

Scientific Horoscope Centre, Babupara না Scientific ওইবা মওংদা থা ৩ গী পাঞ্জি তম্বগী কোর্স অহানবা বেটচ লোইখিদুনা অনীশুবা বেটচ তাং ২৫।৪।২০১৯ দগী হৌজরগনি। পাঞ্জিগী মহৈ অসিবু হৈনিংবা মীওইশিংনা মখাগী অসিদা উনবিয়ু। Class 6.30 a.m. to 8.30 a.m.

Budhi Leishangthem
# 8119046868

SL/4599/15 days

## ꯁꯥꯏꯗꯦꯟ/Piles ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক ঃ- নুংশং পেরে, কক্লাই, পোম্বা-তঙবা, অমাংথোঙ-নাম্থবা, চেকখাইবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, মরেং-মরেং চৎপা, চক-চক থিনবা, তিল লৈবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মচুম তাবা, ঈ তাবা, ঈ-অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ-পেচাকারিদৌনা কাপ্পা, চনপ-চনপ লাওবা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়দ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইম্থরকপা, পিক্লা মরি অমা ওইনা ইম্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইম্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোইবা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা চঙদ্রবা (পদ্রাক পদ্রাক তারবা),লিভর চাওথোকপা অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - *Naorem Ibomcha Meitei*
*Heingang Awang Leikai, Saya Club,*
*Imphal East-795002, P.O. Mantripukhri, P.S. -Heingang P/S*
SL/4452/upto March 24 *Contact No. 8014023792*


## কাংপোকপিদা য়ুম ৫৬ স্কুল ৪, বেঙ্ক ১ অমাঙ অতা থোকহনখ্রে

*দি আই ও কাংপোকপি*

*কাংপোকপি, এপ্রিল* ২৯ঃ ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ঙরাং শিংখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদসু অমাঙ অতা থোকহনখ্রে।

ঙসি ফাওবদা ফংবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা য়ুম ৫৬, স্কুল ৪ অমসুং বেঙ্ক অমা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। সাইকুল সব দিভিজন্দা য়ুম ২৩ মাঙ তাকহনখ্রে। অদুগা লুমতিনদা য়ুম ২১, কাংচুপ গেলজাংদা য়ুম ৯, সাইটু গমফাজোল সব দিভিজনদা য়ুম ৩ মাঙ তাকহনবদা নত্তনা তি ৱাইচোংদা শাগৎলিবা হৌজিক হৌজিক্তি শীজিন্নদ্রিবা পঞ্জাব এন্দ সিন্দ বেঙ্ককী বিল্ডিংসু অমাঙ অতা থোকহনখি।

মরক অসিদা দিপ্যুটি কম্মিস্নার কাংপোকপিনা মরী লৈনবা এস দি ও অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসারশিংনা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা শোকহনখিবা অমদি অমাঙ অতা থোকহনখিবা য়ুম-কৈ অমসুং মহৈ মরোং নীংথিনা য়েংশিন্নবা খঙহনখ্রে। মখা তানা খুঞ্জাশিংনা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈহন্নবসু এস দি ওশিংদা হায়খি।

## লিগেল এৱার্নেস পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৯ঃ ৱুমেন সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন কাংচুপ ময়াই লৈকাই অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি সেনাপটি খূৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱার্নেস প্রোগ্রাম ঙসি কাংচুপ তুইকুম য়ু পি সি চর্চ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কাংচুপ তুইকুম ভিল্লেজগী চীফ লেনলাল হংশিং, ৱুমেন সোসাইটিগী সেক্রেটরী বোইসি কিপগেন অমদি ৱুমেন ৱেলফেয়ার এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরী এন মনোরমানা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইখি।

এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা লিগেল এইদ কাউন্সিল ইম্ফাল ৱেষ্ট কৈশাম ধনেনা সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমগী মতাংদা, ওল মণিপুর লেদিজ এদভোকেট এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী ওইরম্বী এল অশাপুরনানা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱুমেনগী মতাংদা ৱা ঙাংদুনা খন্ন-নৈনখি। মীওই ৬০ মুক্না শরুক য়াখিবা প্রোগ্রাম অদুদা রিছোর্স পার্সন অনীনাতোঙান তোঙানবা হিরমদা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া পুথোত্তুনা মচা খায়না তাকপিবগীদমক কাংচুপ তুইকম ভিল্লেজগী চীফ লেনলাল হংশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

## এম এস এফ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি শেমদোক শেমজিন তৌখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৯ঃ মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এসএফ)কী প্রসিদেন্ট ঙারিয়ানবম মিলন্না ময়ায় ফমদুনা ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকাইদা লৈবা হেদ ওফিস্তা পাঙথোকখিবা মীফম্না এম এসএফ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি নৌনা শেমদোক শেমজিন তৌবগা লোয়ননা ২০১৯-২০ গী থৌ পুগদবশিংসু খনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অসিগী নৌনা থৌ পুনবা খনখ্রবশিং অদুদি এন ৱারিস অক্রম প্রসিদেন্ট নাওতম বোবিচান্দ ভাইস প্রসিদেন্ট, নান্দৈবম রোমেন্দ্রো জেনরেল সেক্রেটরী, অয়েকপম জিম্বা মৈতৈ ফাইনান্স সেক্রেটরী, লাইরিকয়েংবম কর্নজিৎ সিংহ পব্লিসিটি সেক্রেটরী, খুল্লাকপম ইমরান খান ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী, ধনমঞ্জুরি য়াংলেম ৱুমেন এফিয়ার্স সেক্রেটরী অমসুং থালি সিরো ওদিটর জেনরেলনি।

এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং ওইনা খনখ্রবশিং অদুনা ক্ষেত্রিময়ুম লননৈমা, কৈশাম লোয়াঙম্বা, লম্বামময়ুম নোংলেম্বা, কেঐচ সলাম সহা, এস অমরজিৎ, খোইস্নাম স্কোলিন, বোনা কোন্সম, কেঐচ প্রিয়াঙ্কা, শগোলশেম ব্রিজিও, ঐচ রোহিৎ মৈতৈ, রোবার্ট ৱাইখোম, নোংথোম্বম পিনকু দেবী, সিঐচ কেতানজিৎ, জেনিফর, লৌসিগম অরুনকুমারনি হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৯ঃ অঙ্গনৱারি ৱার্কর ওইনাম জিবনলাতানা লৈখিদবদা অঙ্গনৱাদি ৱার্করস এন্দ হেল্পরস য়ুনিয়ন মণিপুরনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবীগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ইংনা চিক্লা লৈরুনবগী-দমক ঈশ্বরদা থৌনিজখি হায়রি।

## ঙসিগী রাষি ফল (৩০-০৪-২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** শোক্কনবা, খৎনবা, শেল চৎপা মতম্নি। শাওদবা ফগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবা চেকশিল্লু। পাঙথোক্লিংবা পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১ ফত্তে, ২ ফগনি, ৩ ফত্তে।

**বৃষঃ** চরক চহিং নাইবা, খৎনবা মতম্নি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। লম চৎপা চেকশিল্লু। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪ ফগনি, ৫ চাং অমদা লৈ।

**মিথুনঃ** খৎননিংগনি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইতে। শেল চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬, ৭ অফবনি।

**কর্কটঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা খরা পাঙথোকপা পোৎ লৈবা য়াবা, হকচাং ৱাখল ফগৎপা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

**সিংহঃ** শোক্কনবা খৎনবা, শাওনবা, শেল চৎপা, লৈমিন্নবশিংগা তোখাই তাবা, হকচাং ৱাখল নুংঙাইতবা মতম্নি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১০ ফত্তে, ১১ ফগনি, ১২ ফত্তে।

**কন্যাঃ** শাওনবা, মত খেন্নবা, চরাঙনবা মতম্নি। শাওদবা ফগনি। অপনবা থেংনরবসু পাঙথোক্লিংবা পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩ ফগনি, ১৪ খরা ফত্তে।

**তুলাঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা মতম্নি। শেলদি চৎলগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৪ ফত্তে, ১৫,১৬ অফবনি।

**বৃশ্চিকঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, হোৎনবা য়াবা, পোৎ লৈবা য়াবা, মরুপ মফম ফগৎপা, মতম্নি। হকচাং ৱাখল ফগৎলগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ অফবনি।

**ধনুঃ** খৎনবা, শাওনবা, শোক্কনবা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা তৌরগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১৯ ফত্তে, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** শেল ফংবা, চৎপা, ৱাখল লাঙবা, খৎননিংবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইথক থোংবশিংনা চানবিরগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২ ফগনি, ২৩ খরা ফগনি।

**কুম্ভঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৩, ২৪,২৫ অফবনি।

**মীনঃ** অরুবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা, লম চৎপা কান্নবা ফংবা, অচৌবনা চানবিবা মতম্নি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।

